# জাতক্কী শৈরোল

মৈতৈলোন্দা ইথোকপা : বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা

## অথৌবগী থবক

মতম অমা কাশীসা য়সপানি কৌরবা,
নিংথৌ অমা পাল্লমমী মতিক-মগুণ লৈরবা।
মাগী মন্ত্রি মকোক্লা কালকা হায়না কৌরম্মী;
বোধিসত্ত্ব 'ধর্ম্মরাজ' ফম্নাইববু ওইরম্মী।
কালকা কৌবা ফত্তবা ৱায়েল-থৌদা শেঞ্জাবা,
মীৱা ঙাঙবা মিতশ্বান মনীং তৌই লমকেৎপা
নোংমা, ইচুম চুমজবা নুপা অমা বিচারদা,
মায়থিববু ফংদুনা চংজে বোধিসত্ত্বদা।
বোধিসত্ত্ব চুমচৎপা বিচার হন্না তৌদুনা,
নুপা'দুবু কনবিখি ৱায়েল পথাপ চুমদুনা।
তারে ৱাসি নিংথৌনা; নুমিৎ অদুমক্তদ'ই,
হাপশ্লে মাবু ৱায়েলবা কনখি প্রজা' ৱাবদ'ই।
কালকা করি ফংদরে নিংথৌদবু শীকচিল্লে;
নিংথৌ খুভম শিন্নবা হোৎনরেবু হায়জিল্লে।
থাজরমদ' নিংথৌদো থাজরক্লে মতুংদা;
কালকাগবু তানর মথৎ-মথৎ হায়খিদা।
ঙস্মোইদৌবা ঙাক্তনি, 'লৈকোল শেম্মু নোংমদা,
পাৎ কোনুং মুক্তাগী' মথৎ মথৎ শেমখিদো।
শাকা লাইগী মতেংনা ঙমদবসু ঙমখিদো।
মথংদবু হায়রক্লে, "লৈকোল শঙবা অমবু,
পীযু মতিক চারবা মগুণ মরি লৈববু"
ঙস্মোই খঞ্জরদুনা বোধিসত্ত্ব চৎখরে;
শিননবা উমংদা তোপ তৌনা লৈখরে।
শাকা লাইনা থোরক্ল' হায়খি বোধিসত্ত্বদা,
"চন্তপানী কৌরবা নুপা অমা থিরুরো,
গুণ মরি লৈতেংবা মানি, মাবু হাপ্পরো।"
বোধিসত্ত্ব চৎলগা চন্তপানী উনখি;
মতিক চাবা নুপানি নিংথৌদবু কৎচখি।
"কল্লক-মৈশা লাংদবা অপাম মৈখু চুদবা
ঐনি চন্তপানীদি, যু থক্তবা শাউদবা।"
প্রমান ৱারী লোইনবা তারবদা নিংথৌনা,
হাপখি মাবু লৈকোল-শঙবা মতিক চারে খন্দুনা,
ধর্ম্ম অসুক লৈববু কুইনা মরাল থিরকপা,
পূম্নমক্কী দাইত্ব কলকানি খঙলকপা,
নিংথৌ' ইঙ্গিৎ অমদা মনাই ময়াম চংদুনা,
কলকাবু নিংথৌনা লোইশিনখি মরাল' মপোৎ ফাদুনা।
তুংদা, নিংথৌ য়াইফবা অফবতা তৌরম্মী;
ৱায়েল পথাপ চুমদুনা শির স্বর্গ কারম্মী।০

# অঙাংশিংগী মশান্নবা

মংশাতাবম চনু নলিনী

## নোং ও চুথরো শান্নবা



নোং ও চুথরো হায়বা মশান্না অসি মীতৈ অঙাংশিংনা মমাঙঙৈদগী হৌনা শান্নরকপা মশান্নশিংগী মনুঙদা অমনি। মসি চাউরাক্লা চহী তরেৎতগী তরাফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপীমচাশিংনা শান্নবা মশান্না অমনি। মসিদগী হেন্না পীকপা অমসুং চাউবা অঙাংশিংসু মশান্না অসি শান্নবদা য়াওই। অঙাংশিংনা মশান্না অসি নোং চুরক্লবা শুমাঙদা থোরক্লগা শান্নবা মশান্ননি।

মশান্না অসি শান্নবগী মওংদি অঙাংশিংনা নোং খজিক্তং তারকপা উবদা শুমাঙ ময়াদা থোরক্লগা অতিয়ারোমদা মমায় ওনখৎলগা নোং য়াম্না চুরক্লবা মখাগী ঈশৈ অসি চোংল-চোংলগা শক্কনি—

নোং ও চুথরো
হনুবা হনুবী তাউথরো
লাংজিং মতোল থূমহৎলো
পাৎশোই নুরাবী তেকখৎলো
উনম পাখঙ খুনজরো।

মীতৈ জাতি অসিগী য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা চৎনরক্লবা ময়ামগী থাজনবী অমসু লৈ, নোং চুদবা হায়বদি কুম কাংবা মতমদা অঙাংশিংনা মফি য়াওদনা মথক্কী ঈশৈ অসি শক্লগা মখূত্তা য়েন্দায় পায়রগা চোংলবদি শোয়দনা নোং চুরক্কনি হায়না লৌনৈ।

নোং ও চুথরো হায়বা মশান্না অসি অঙাংশিংনা শান্নবদা অহল-লমনশিংনা য়ানীংদবা অথিংবা পীদে, মখোয়না অয়ুক অমসুং নুংথিল খায়দনা নোং হেক চুথরকপা মতমদা শক্লগা শান্নবনি। শৈশক অসিনা অঙাংশিংদা নোং চুরক্তবদি পূম্নমকপু শেম্বিরিবা মপুনা থৌজানবিদবদগী নোং চুরক্তবনি হায়না খন্দুনা মপুদা অচেৎপা ভক্তি থম্মিংবগী ৱাখল অমা পী। অতিয়াদগী অমৃতগী মশক ওইরবা নোং খীকথবিরক্তবদি তাইবংপানবদা লৈরিবা অচৎ-চন্ত জীব পূম্নমক অমত্তা হিংবা ঙম্লোই। মরম অসিনা নোং হায়বসি মীওইবগী থৱায়নি খনবদগী নোং চুথবিরক্লবা থায়নগী অহল-লমনশিংনা মথক্কী ঈশৈ অসি শক্লগা শান্নহনবনি। মশান্না অসি অঙাংশিংনা চোংল-চোংলদুনা শান্নবনি।০

# মণিপুরী পাউরৌ

লোইতোংবম বীরজিতা দেবী

## ঈশিংগা থাউগা তিন্নবা য়াদে

ঈশিং হায়বা পোৎশক অসিগা থাউ হায়বা পোৎশক অসিগা অনী অসি পুনশিন্নবদা অমত্তা ওইনা পুনশিনবা হায়বসি শুকওই ওইথোক্তে। ঈশিংনা অমদা থাউনা অমদা তোখায় তোখায় তাদুনা পুনশিন্নবগী মশক্তগী লাপথোক্লা লৈ। মতৌ অসুম্না মীওইবগী মরক্তসু মোৎ মান্নদবা মীওই অনীনা কৈদৌঙৈদসু মোৎ চাশিন্নদুনা অমত্তা ওইনা পুনশিনবগী মশক অসি ওইবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোনসি পাউরৌ অসিনা তাক্লি। অসিগুম্বা পাউরৌ অস তিন্নবা য়াদবা মীওই অনীগী মরক্তা প্রমন তৌরগা হায়নৈ ।।

— — –

## উরিনা অনকপা উপালদা য়েৎলি

মরী চৎপা পাম্বীবু উরি হায়না খঙনরি। অসিগুম্না পাম্বী অসিনা মরী চৎপনা মনাক্তা হৌবা পাম্বীদা হেক্তা মরী য়েত্তুনা হৌই। মসিগী ৱাখল্লোনদি মীওইবা সমাজদা লৈরিবা নুপা নুপী অনীগী মরীবু তাকই। নুপী ওইবীশিংনা মাগা নকশিন্ননা লৈরিবা নুপা ওইবশিংগা নুংশিনবগী মরী লৈরক্তুনা পুনশিনমিন্নরকই। অসুম্না নক্করবদগী পোক্লকপা নুপা নুপী ওইবগী নুংশিনবগী মরীদু তাকপা মতমদা পাউরৌ অসিবু প্রমান তৌনৈ।।।

— — —

## উনা অপুংবদা উচেক তিল্লি

উচেকশিংনা মনা পুংলবা উ পাম্বীদা মখোয়গী মকোন শাদুনা পুনফম ওই। পুমকোক কোক্লবা মনা পান্দবা অকংবা উদদি উচেকশিংনা তোংলবসু য়াম্না পুনবদা ওইদে। অপুংবা মনানা লৈতেং ওইরিবা পাম্বীশিংদা উচেকশিংনা তিন্দুনা পুল্লি হায়বনি। মসিগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন্দি ইনাক-কৈরান খুনবা অচৌ-অশাং ওইবা মীওইশিংগীদমক্তদি মী য়াম্না লৈ। লায়রবা মীওইশিংগীদমক্তদি মী লৈতে। মপান ফরিবা অচৌ-অশাং ওইরিবা ইনাক-কৈরাক খুল্লিবা মখোয়গীদমক্তদি মী ৱাত্তনা লৈ হায়বা ৱাফম্নু পাউরৌ অসিনা তাকই।।

— — —

## খূৎকী খুজিবু মিংশেলগী মথৌ লৈব্রা

নুপী ওইবীশিংগী লৈতেংগীদমক্তা মখূত্তা খুজি শি। খুদাংদা শিরিবা খুজি অদুগীদমক্তদি ঐখোয় মীওইবীনা মীৎনা ইরায় লায়না উবা ফংই। মরমদুনা খুজিদা পক্বা অমোৎ-অকায় শেংদোক্ল বগীদক্তদি মিংশেল দরকার লৈতে। পাউরৌসিনা ফোংদোক্লিবা নুংগী ওইবা পাউজেলদি ইশানা ঙম্বা থবক্কীদমক্তদি মীগী মতেং লৌবগী মথৌ তাদে হায়বসিনি।০

# মেত্রিক থারিবশিংসি অশেংবা যূম্বী ওইহনসি নৎত্রবদি হামু হামু তাখিনি

কেনেবো রাজকুমার

লাইরিক তম্বা হায়বসি শূপ্নগী লাইরিক খক্তা তম্বদু নত্তে। মহৈ মশীন তানশিনবা হায়বসিদা তমগদৌবা মচলশিং অদু লোইবা নাইদে। ইরমদমগী অফবা মহৈরোয়শিংদা হায়বদি *বড় সাহেব ওংবী সনাতোম্বী* হায়রিবা উপন্যাস অসি কনানা ইবনো, লাইশ্রম সমরেন্দ্র, রতন থিয়ামগী মিং তারব্রা হংবদা খঙদে অমদি তাদ্রি খুমবদু নত্তে। ঐখোয় শ্বাইদা খঙদ্রবসু ঐখোয়গী মশকনাইবশিং অসি বেঙ্গলদদি মশক মুন্না খঙই । মসি করিগীনো?

*(লামায় ৬কী মখা)*

মরম অদুনা হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংনা মালেমদা করি থোক্লি, করি তৌরি, ইন্দিয়াদনা করি থোক্লি, মণিপুরদনা কমদৌরি হায়বা ৱাহংশিং অসিগী শাংলবা পাউখুমশিং অদু শাংলবসু শাংনা তেল্লবসু তেন্না খরমখৈদি খঙদবা য়ারক্তে। মখোয়গী মশা মশাবু ইনফোর্মেশন টেঙ্ক অমা ওইহনজবা হায়বসি য়াম্নমক দরকারনি। কা হেন্না ফহন্নিংবা মমা মপাশিংনা মচাশিংনা সেল ফোন (স্মার্ট ফোল) পায়বদা য়াম্না শাউবা, মেত্রিক পাস তৌদ্রিখৈ পায়বা য়ারোই, টুয়েল্ব পাস তৌদ্রিখৈ নঙ মোবাইল পায়বা য়াদে, ইচাদি গ্রেজুয়েশন হেক লোইবগা নঙনা হেক অপাম্বা ফোন আই-ফোনবু ওইরসু লৈদৌরিনি হৌজিকমক্কীদি য়াদে হায়বনচিংবা হায়রিবশিং অদু মতম অসিদা য়াম্নমক চান্নদ্রে। করি খোঙথাং মচাশিংনা থাঙলি, করম্বা মমান্নবা মমান্নবীশিংবু খরা হেন্না নকপা শঙ্গা ওইনা তিন্নরি, নিশা চারব্রা চাদ্রিব্রা, ইথক ঈরাং য়াওরক্লব্রা য়াওরক্ত্রিব্রা হায়বা য়াম্না কুপথবা ৱাহংশিং অদুগী পাউখুমশিং অদুদি মমা মপা ওইবশিংনা য়াম্না লায়না খঙদুনতা লৈবা ঙাক্তনি। ইচানা তৌববু তৌজসনু ইমা লৈরিসিদি ইপা লৈরিসিদি হায়দুনা কোমথোক্তুনা লৈবনা পোলোইদদি করি ওইরে। পাউচেদা মমিং য়াওরে। লোকেল কেবল নেটৱার্কশিংদা মশক উৎলে। অফবদা য়াওরকপা ওইরবদি কায়দে। ফত্তবদা য়াওরক্লবদি অহল লমন ওইরিবশিংনা করিবু পাল্লগনি। ঈজৎ মাঙবা নত্তনা, পৈশা তিংবা নত্তনা অদুগীসু মথক্তা মোব জষ্টিশকী হৈনবীনা লু তোংদা য়াওখ্রবা ঐখোয়গী খুন্নাইসিদা যূম মৈ থাখিবা অমসুং লৈজরম্বা পোৎ চৈ খুদিংমক উৎ ওলহল্লম্বা নত্তনা। অদুনা অয়াবা পীবা হায়বসি মমা মপাশিংনা বেলেন্স ওইরগা পীবা তারি।

ইন্টরনেটনা মালেমদা পোক্লকপদগী মালেম অসি পীকক্র পীকশিনখ্রে। খঙলোইদবা পোৎ অমত্তা লৈশিল্লক্ত্রে। লম অসিদা স্পিসিয়েলিষ্ট অমা ওইনা লোইনমক ঐনা হায়দ্রবসু খঙহন্নিংবা খরা মখৈ অদুদি ঙসিগী মীরোল অসিগী মহৈরোয়শিংনা স্মার্ট ফোন শীজিন্নরগা খঙবা করিসু কাইদে (নিয়ম চুম্লবদি)। থোক্লক্লিবা লৈরিবা সোসল নেটৱার্কশিং অসিদা মশা মশাগী একাউন্ট অমমম লৈবা য়াম্না ফৈ। মালেমগী মফম খুদিংদা লৈরিবা মীওইশিংগা নক্লা পূনশিলহনবা ঙম্মী। ঈ-পাউশিং ফংহনবদা খঙহনবদা য়াম্না চাউনা মতেং পাঙই। মশা মশাগী ঈ-মেল আইদি অমমম য়াম্নমক লৈফম থোকপনি। খঙদবা অমবু সর্চ ইঞ্জিন অমগী মতেংনা হায়বদি অচম্বা লোন্দা গুগল (অতোপ্পসু লৈরি) দা থীদুনা খঙহন্নবা হোৎনবা য়াম্না কান্নে। অতোপ্পশিংদা হংলুবগী ৱাই চিনবা অদু লৈররোই। লোইনমক ফংলে হায়বদি য়াখিরোই অদুমওইনমক মহৈরোয়শিংগী দরকার তাবা খুদিংমক্তি ইন্টরনেটতা ফংদবা পঙলৈ লৈরম্লোই হায়না খল্লি। দিক্সনারিদগী হৌরগা ৱিকিপেদিয়া ফাওবা, সবজেক্ট খুদিংমক্কী ষ্টদি মেটরিএলশিং, অদুতা নত্তনা খঙনিংলিবা হীরম অমগী মচা খায়না ফোঙদোক্লবা ৱেব পেজশিং। ঈ-বুকশিং অসিনচিংবশিংসিনি। তৌইগুম্বসুং মদু ঐখোয়গী মহৈরোয়শিংনা (ৱাখল ফাথবা ঙমদ্রিবশিংনা) অরানবা লম্বীদা হেন্না শীজিন্নরি। মদুদি মশাতা মাঙহনজবা নত্তনা খুন্নাই অমসু মাঙহল্লি অমদি হেন্না মাঙহল্লক্কদৌরি। ফেসবুকতা একাউন্ট হাংবদি ইলিগেল নত্তে অদুবু ফেসবুক্তা কা হেন্না মতম মাঙহন্দুনা মশা মশাগী কেরিয়র মাঙহঞ্জবা কনানসু উররোই মতাগুম কা হেনজিন্না ৱারীশিং শান্নবশিং অদুনা করিসু কান্নবা পুরক্তে। অহোইনদুম সাইবর ক্রাইম হেল্লক্লবগী মচাক ওইরকই। হৌজিক্কী নহা ওইরিবা স্মার্ট ফোন পায়রিবা মীরোলশিংনা (লাইরিক তম্বনসু তমদনবনসু) ফেসবুক, ৱাটসঅপ, ভাইবর, ইন্সটাগ্রাম, ত্বিটর, স্কাইপ অসিনচিংবশিং অসি খঙদবা চামগী মনুংদা মঙা ফারমগনি থাজদে। শীজিন্নবসু শীজিন্নরিবনি। নাকল অমদা থবক থীরিবশিংনা LinkedIN কী কান্নবা মদুনা ঐনা ঐনা খঙজবা হৈজরিবা দোমেইনশিংদা থবক ফংহনবদা লাইহল্লকপা প্রোফেসনেল নেটৱার্কসু শীজিন্নবদা য়াম্না কান্নগনি। অদুমওইনমক খঙগদৌরিবদি খুনাই অসিদা ঐখোয়গী নহা ওইরিবা মহৈরোয়শিংনা করিগীদমক Mark Zuckerberg না করম্বা মতমদা ফেসবুক পুথোকখি। করি ৱাখলদগী পুথোকখ্রিবনো। মসিনা মালেমসিদা করি কান্নবা পীরি/পীদে। হৌজিক মালেমসিদা ফেসবুক য়ুজর মশীং কয়া লৈ। করি করম্বা লৈবাকশিংদা করম করম্বা সোসল নেটৱার্কশিং থীংজিল্লি। করি মরমগী থীংজিল্লিবনো। ফেসবুককী সি ঈ ওনা কমদৌনা ৱাটসঅপ্পপু লৈখি। মমল কয়াদা য়োনখি। গুগল করম্বা চহীদগী কমদৌনা হৌরকখি। মীয়াম্না য়াম্না পাম্না পায়নরম্বা মোবাইল ফোন অমা ওইরিবা নোকিয়া কম্পেনি মাইক্রোসোফ্টনা কমদৌনা লৈখি। নোকিয়া লুম্যা সেরিজখক্তমক লৈরিবরা নৎত্রগা নোকিয়া মশা অসিমক লোইনমক মাইক্রোসোফ্টনা লৈখ্রব্রা অসিনচিংবা (বিহাইন্দ দ স্ক্রিন ওইবা) পাউশিং অসি য়াম্নমক খঙননবা হোৎনগদৌরিবনি। ইনফোর্মেশন টেক্নোলোজি (আই টি) না খম থেংনা চাউখৎলবা মতম অসিদা লৈঙাক্কী থবকখক ঙাইবদুনা অৱাবা পোৎলুম অমা ওইগদৌরি। মতাং অসিদনি ইংলিস লোন অমসুং কম্প্যুটর ময়েক শেংনা হৈবা লোয়ননা ইনফোর্মেশন টেক্নোলোজিগী ওইবা মালেমদা থোক্লিবা পাউ খুদিংমক খঙবা মথৌ তারক্লি। মসিনা আই টি সেক্টরশিংদা থবক ফংবদা চাউনা মায় পাকপগী মতেং অদু পাঙলি। ইংলিস লোনদি থম্বু থমখিসি ইমা লোনফাও নীংথিনা খঙলত্ত্রবদি করিনো মদুদা তৌগদবা। মতমদুদদি অমম্বগী অমম্বা ঙাক্তনি। য়াম্না খঙবা হায়বসিনা ঐখোয়গী হৌগৎলক্লিবা মহৈরোয়শিং অসিগী তুংগী লাইবক লেপ্পদা য়াম্নমক হেন্না কান্নবা পীগনি। ইশম শম্না হায়রবদি গ্লোবেলাইজেশনগী মনুংদা ওল্লক্লিবা ময়ামসিগী মরক্তা থবক অমা ফংবা হায়বসি হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না লায়বা নত্তে। য়াম্না খঙঙু য়াম্না হৈয়ু হায়বনি। হৈরকপা অমদি খঙলকপা হায়বসি মতমনি। মতম অদু শীজিন্নগদৌবা মতমদা শীজিন্নহৌদ্রবদি লোইখ্রবা হৌখ্রবা ঙরাং পরেং অদুদা হঙ্গৎনা কুমথরুরগা শীজিন্নবা হায়বসি শুকওই ওইথোক্লোইদৌবা অমনি।

হৌজিক মালেমসিনা কৈদৌরি। য়াম্না নুংঙাইরিবা ইনফোটেনমেন্ট (ইনফোর্মেশন+ইন্টরটেনমেন্ট) ওইবা পাউদি হন্দক ৮৮ শুবা একাদেমি এৱার্দ ২০১৬ গী এৱার্দিশিংগী মনুংদা লিওনার্দো দি কেপ্রিওনা *The Revenant* হায়বা অলেজান্দ্রো জিনা দিরেক্সন পীবা ফিল্ম অদুদা মহাক্লা বেষ্ট এক্টর ওইনা ওস্কার ফংবনা ওইরি। বেষ্ট দিরেক্টরসু ফিল্ম অসিদা অলেজান্দ্রো জিনা ফংলি। খ্বাইদগী হেন্না পূম্নমক্তগী The Revenant না ওস্কার ফংগনি হায়না পানরগা ফংখিদ্রে হায়বা পাউ অদো প্রাইমারি নত্তে। ফিল্ম ওইনা য়েংদ্রিবশিংসু রোমিও জুলেট অমসুং টাইটানিক্কী মিং তাদবা কনা লৈরমগনি হৌজিক্কী কন্টেম্পোরিগী মীরোলসিদা। মালেমদা মমিং শেগাক কায়না চৎখিবা মহাক্কী ফিল্ম ঙাক্তনি। য়াম্না ঙল্লিঙৈ অঙাং ওইরিঙৈ মতমদগী ফিল্ম কুম্বা হৌরকখি মহাক্লা। মমাঙথক্কী শাংলবা চহী ২৩ অসিদা মহাক্লা একাদেমি এৱার্দকীদমক মরিরক নোমিনেশন তৌখ্রবসু মশাগী চহী ৪১ শুবদা মালেমদা ফিল্ম/সিনেমাগী জগৎতা খ্বাইদগী হেন্না চাউরবা চীং লেমজনীংঙাই ওইরবা অমা অদো মহাক্লা হন্দক্তদা ফংলি। মসি মালেমগী পাউনি। ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী মৈ হৌরিবা পাউশিংগী মনুংদা মোদি লৈঙাক্লা সেন্টরদা চৎলিবা শেনবা চহীসিগী বজেট পাস তৌখিবা মদুদা রাহুল গান্ধীনা রেফ্লেক্ট তৌরকপা ৱাহৈশিং লোয়ননা দিল্লিগী জে এন যুগী ৱাথোক ব্রিকিং ন্যুজশিংনি। ইরমদমগী মতাংদা য়েংলবদি নাগালেন্দগী মহৈরোয়গী লূপ অমনা মীতৈশিংগী গাড়ীশিং নাগা তাবা মফমদা চঙবা য়াদবগী খোঙজং হৌদুনা ইবোবী লৈঙাক্লা পুলিস পার্সনেল মঙা থবক্তগী অমুক সস্পেন্দ তৌরগা হঞ্জিলহনবা। আর্মদ ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট ১৯৫৮ মণিপুরদগী লৌথোকউ হায়দুনা চহী ১৫ হেন্না চরা হেল্লক্লবী, "মণিপুরী ইমা" হায়দুনসু মিংথোল পীবা য়ারবী, নোবেল পীছ প্রাইজ ফাওবা পীবা য়ারবা মহাক্কী থৌনানা কথোকপনা হেনদৌরবী, ইরোম চনু শর্মিলা মরাল লৈত্রে হায়দুনা থাদোরকপদগী অথৌবশিংগী নীংশিং খুভম ওইরিবা সহিদ মিনরগী ফৈদাবুংদা চরা হেনবা অমুক হৌরকপদা হন্না'মুক ফাখিবা অসিনচিংবা অসিনি। মসি শুপ্নগী পাউখক্তা নত্তে। পাউশিং অসিদা খন্ননিংঙাইতনা পীক থল্লবা ৱাহং কয়া য়াওরি মদু ৱাখল খনবা তাবনি। লাইরিক তম্বা হায়বসি শূপ্নগী লাইরিক খক্তা তম্বদু নত্তে। মহৈ মশীন তানশিনবা হায়বসিদা তমগদৌবা মচলশিং অদু লোইবা নাইদে। ইরমদমগী অফবা মহৈরোয়শিংদা হায়বদি *বড় সাহেব ওংবী সনাতোম্বী* হায়রিবা উপন্যাস অসি কনানা ইবনো, লাইশ্রম সমরেন্দ্র, রতন থিয়ামগী মিং তারব্রা হংবদা খঙদে অমদি তাদ্রি খুমবদু নত্তে। ঐখোয় শ্বাইদা খঙদ্রবসু ঐখোয়গী মশকনাইবশিং অসি বেঙ্গলদদি মশক মুন্না খঙই । মসি করিগীনো? অদুনা খঙবা অমসুং হেন্না হেন্না খঙননবা হোৎনবা অমদি য়াম্না খঙবদুনি ইনফোর্মেশন টেঙ্ক হায়রিবসি। নৎত্রবদি ঐখোয়না লৈঙাক্তসু ফত্তে হায়বা য়ারোই, অচৌবা লূপকী লুচিংপুরেল ওইবশিংসু মীচং মীখায় নাই হায়বা য়ারোই। চীং তমগী মতাংদসু করিমত্তা হায়বা য়ারোইদৌরি। হায়বা য়ারবসু শিন্দোক্লবা ঐখোয়গী মতিক চাবা মীওইশিং অদু লৈত্রবদি অস্মাগী অস্মানি। ঐ, মখোয়, নখোয়, নঙ, মা লোয়না চপ মান্নরে হায়দৌবা নত্তবরা? নত্তে। মদুনি ঐখোয়না ঙাইরিবসে।০